## ৱেষ্ট বেঙ্ক লৌশিল্লগনি

জেরুসেলম, মে ২৬ (এজেন্সি) :

ইজরেলনা ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী শরুক অমা লৌশিন্নবগী পুৱারীগী শরুক ওইরগদবা খুদোংচাবা অসি মাঙহল্লরোই হায়না ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না রাইট-ৱিং লিকুদ পার্টিগী লোমেকরশিংগী মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি মদুদি, ৱেষ্ট বেঙ্ককী শরুক খরা লৌশিনবা হায়বসি মহাক্না হৌখিবা চয়োলদা হান্নগী মহাক্কী পোলিটিকেল লম্বা বেনি গান্টসকা শেম্মীন্নখিবা অনৌবা য়ুনিটি গভর্নমেন্টকী খ্বাইদগী মরু ওইবা থবক্নি।

## সাইদ ইফেক্টস থেংনদে

ন্যু দিল্লি, মে ২৬ (এজেন্সি) :

ইন্দিয়াদা চথবা ষ্টদিশিংদা হায়দ্রোক্সিক্লোরোক্কিন (ঐচ সী ক্যু)গী অচৌবা সাইদ ইফেক্টশিং থেংনদবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ থিংনবগী লায়েংদা হীদাক মখল অসি মখা তানা শীজিন্নগদবনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্স (আই সী এম আর)না ফোংদোকখ্রে। দল্লিয়ু ঐচ ওনা দ্রগ অসিবু মতম খরগী ওইনা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংদা টেষ্ট তৌবা লেপহনখিবা মতুংদা আই সী এম আরনা ৱাফম অসি ফোংদোরকখিবনি।

## চীফ এইদ মফম লৌথোক্তবদগী জোন্সনগী এপ্রুভেল রেটিং হন্থরে, নন-ইসেন্সিএল দুকানশিং হাংলগনি



লন্দন, মে ২৬, (এজেন্সি) :

য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনবু মীয়াম্না য়াবগী চাং কোরোনাভাইরস লোকদাউনগী রুলশিং থুগায়খি হায়বা মহাক্কী চীফ এইদ দোমিনিক কম্মিংসপু মফম লৌথোকউ য়াদবদগী পোইন্ট ২০ হন্থরে হায়রি।

কোরোনাভাইরস পান্দেমিক্কা মরী লৈনবা য়ু কেগী মীয়ামগী রেস্পোন্সকী মরমদা য়েংশিল্লিবা কোরোনাভাইরস দেতা ট্রেকর অমা ওইরিবা সভান্টাগী মতুং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনগী এপ্রুভেল রেটিং অসি নুমিৎ মরিনি খক্কী মমাংদা চাদা ১৯ গী মথক ওইখি। হৌজিক্তি নোংমদা পোইন্ট ১০ হন্থরক্তুনা জে ান্সন্না লুচিংবা গভর্নমেন্টকী এপ্রুভেল রেট চানা ২দা লৈরে।

গভর্নমেন্ট পায়রিবা মীওইশিংগী মরক্তা জোন্সনগী এপ্রুভেল রেটিং হৌজিক খ্বাইদগী নেম্বা হায়বদু ওইরে। হেল্থ সেক্রেটরি মাট হেনকোকনা চাদা ৪ গা লোয়ননা অনীশুবা এপ্রুভেল রেদ খ্বাইদগী নেম্বা ফম্নাইবা ওইরি।

অমরোমদা, লেবর পার্টিগী লুচিংবা কিয়র ষ্টামরগী এপ্রুভেল রেটিং নিংথৌকাবা নুমিত্তা চাদা ২০ হেনগৎখ্রে। চান্সেলর রিসি সুনাককী রেটিংনা নুমিৎ মরিনিগী মমাংদা চাদা ৩৫ ওইরম্বদগী হৌজিক চাদা ২০ হন্থখ্রে হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী এদভাইজর কম্মিংসনা লোকদাউন রুলশিং থুগায়বগা মরী লৈননা মায়কৈ কয়াদগী মহাকপু মফম থাদোক্নবা দিম্মান্দ তৌরকপদা মতম চুপ্পদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা মহাক্না তৌখিবদুদা অরানবা থৌওং অমত্তা য়াওদে হায়রদুনা ফম থাদোকপগী ৱাফম খন্নবা লৈতে হায়খি।

চৈরকসিদা, বৃটেনদা কোভিদ-১৯ লোকদাউন মখা তানা কোমথোকপগী থৌরাংশিংগী শরুক ওইনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা নন-ইসেন্সিএল রিটেলর পুম্নমক জুন ১৫ দগী অমুক হন্না হাংহল্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনা লাউথোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা দাউনিং ষ্ট্রিটদা কোরোনাভাইরস ব্রিফিংদা ৱা ঙাঙলদুনা জোন্সন্না হায়খি মদুদি, খোঙথাং অসি কোরোনাভাইরস থেংনবদা লৈরিবা প্রোগ্রেসকা চান্ননা লৌখৎলকপনি। রিটেলরশিংনা পোৎ লৈবা লাকপশিং অমসুং ৱর্করশিংবু ঙাক শেন্নবা অনৌবা গাইদলাইনশিং চেকশিন্না ঙাক্কদবনি।

## অফঘানিস্তানদা টালিবান ইনমেট ৯০০ থাদোকখ্রে



কাবুল, মে ২৬ (এজেন্সি) :

অফঘানিস্তানগী মরু ওইবা লালহৌবা গ্রুপ টালিবানগা অফঘান মশেলগী ওইবা পিছ টোক চথবা য়ানবা অফঘান গভর্নমেন্টনা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাং ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অতোপ্পা টালিবান ইনমেট ৯০০ গী বেচ অমসু থাদোকখ্রে হায়না নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী ওফিসনা ফোংদোকখ্রে।

সীজফায়র শাংদোকহনবা অমসুং খুদক্তা অফঘান মশেলগী ওইবা পিছ টোক হৌবা য়াওনা লানগী চৈথেং নংদুনা লাক্লবা অফঘানিস্তানদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনবদা খুমাঙ চাওশিলহনবগী পান্দমগা লোয়ননা গভর্নমেন্টনা ঙসি টালিবান প্রিজনর ৯০০ থাদোক্লে হায়না এন এস সীগী ওফিসকী স্পোক্সমেন জবিদ হায়সালনা ত্বিটরদা ফোংদোকখি।

টালিবান মিলিটেন্টশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তগী হৌদুনা ইদ-উল-ফিটর কুম্মৈ মনুংদা নুমিৎ হুম্নিগী সীজফায়র লাউথোকখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি হায়না সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোংদোকখি। টালিবান মিলিটেন্টশিংনা সীজফায়র অদু মখা তানা নুমিৎ মরিনি নৎত্রগা হেন্না শাংদোকপগী ফিভম য়াখ্রে হায়রি।

নিংথৌকাবা নুমিৎ কুম্মৈগী নিনি চনবদা গভর্নমেন্টনা ইষ্টর্ন পারৱাল প্রোভিন্সতা লৈবা বগ্রম প্রিজনদগী টালিবান মিলিটেন্ট ১০০ থাদোকখ্রবনি। হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা টালিবান প্রিজনর ১১০০ রোম থাদোকখ্রে হায়রি।

## ইরাকি পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিনা কর্ফিয়ু মপুং ফানা থম্নবা হায়খ্রে



বাঘদাদ, মে ২৬ (এজেন্সি) :

ইরাকি ওথোরিটিশিংনা অনৌবা ইনফেক্সন ১৬৩ লাউথোকখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী কেসশিং ইনৌ নৌনা হেনগৎলকপগী ফিভম লাকশিন্নবগীদমক্তা ইরাকি পার্লিয়ামেন্টরি ক্রাইসিস কমিটি অমনা ইদ-উল-ফিটর ছুটি লোইরবা মতুংদা ইরাক্তা কর্ফিয়ু মপুং ফানা থম্নবা দিম্মান্দ তৌখ্রে।

গভর্নমেন্টনা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা লাকশিন্নবগী থৌরাংশিং লাউথোকখিবা মতুংদা ইরাক্তা লায়না কন্ত্রোল তৌবগী থৌদাং শীন্নরিবা কম্মিটিগী মেম্বর অমা ওইবগা লোয়ননা লো মেকর অমসু ওইরিবা অলি অল-লামিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা মীয়াম্না মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থকী লায়না-লাইচৎ থিংনবগী থৌরাংশিং অমদি কর্ফিয়ুগী ইন্সট্রক্সনশিং চেকশিন্না ঙাক্তবা তারবদি লৈবাক অসিদা হেল্থ দিজাষ্টর অমা লাকপা য়াই হায়না ক্রাইসিস কম্মিটিগী মায়কৈদগী ৱার্নিং তৌরি। অল-লামিনা গভর্নমেন্টতা অথিংবশিং থুগায়রিবশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনবগা লোয়ননা সিটিজনশিংদা কর্ফিয়ু অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা ইশ্যু তৌরিবা ইন্সট্রক্সনশিং চেকশিন্না ঙাক্নবা অপিল তৌখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ১৬৩ রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা ইরাক্তা ইনফেক্সন মশিং পুন্না ৪,৬৩২ য়ৌখ্রে। বাঘদাদকী তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা লৈবাকপোকপগী অঙনবা ফাওবদা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট অহুম শিদুনা লৈবাক অসিদা লাইচৎ অসিদা শিবা মী মশিং ১৬৩ শুরে। হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই ২,৮১১ লায়েংবদগী ফদুনা দিসচার্জ তৌখ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ইরাক শীন থুংনা টেষ্ট ৫,৭৬২ শীজিন্নখিবা মতুংদা অনৌবা কেসশিং অসি রেকোর্দ তৌখিবনি। ইরাক্তা লাইচৎ অসি শন্দোকপা হৌখিবদগী হৌজিক ফাওবদা পুন্না টেষ্ট ১৯৪,৪৪৭ পাঙথোকখ্রে হায়রি।

## গাইদলাইনশিং থুগায়রবদি পাকিস্তানদা অমুক হন্না লোকদাউন থম্বা য়াই



ইস্লামাবাদ, মে ২৬ (এজেন্সি) :

কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা লাকশিন্নবগীদমক্তা গভর্নমেন্টনা ইশ্যু তৌখিবা ষ্টেন্দার্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি)শিং সিটিজনশিংনা ঙাক্তবা তারবদি ইদকী হোলিদে মতুংদা পাকিস্তান শীন থুংনা অকনবা লোকদাউনগী ফিভমশিং চৎনহন্নগনি হায়না মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোংদোকখ্রে।

ভাইরস শন্দোকপা কন্ত্রোল তৌনবগীদমক গভর্নমেন্টনা ইশ্যু তৌখিবা ইন্সট্রক্সনশিং অমসুং এস ও পিশিং মীয়াম্না থৌশানদবগী থৌওংদা নুংনাংবা উৎলদুনা হেল্থকা মরী লৈনবা প্রাইম মিনিষ্টরগী স্পেসল এসিষ্টেন্ট জাফর মির্জানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হায়খি মদুদি, ঐখোয়না লোকদাউন কোমথোকহনখিবা মতমদা চেকশিন্না ফোংদোকখিবগুম অসিগুম্বা থৌওং অসি মখা চথদুনা লৈরবদি ইদ মতুংদা লৈবাক শীন-থুংনা অকনবা লোকদাউনগী ফিভম অমুক হন্না চৎনহল্লকপা য়াই।

মীয়ামগী ৱাখলদা কোরোনাভাইরস লাইচৎ পাকিস্তানদা লোইশিনখ্রে হায়বগী থাজনবা অমা লৈরিবসি লাইবক থিবনি হায়না পনবগা লোয়ননা মির্জানা কোভিদ-১৯ মী শিহনবা অমসুং লায়না অসিগী কেস লৈবাক অসিদা ৱাংখৎলক্লি হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না কাউরোইদবনি হায়খি।

লৈবাক অসিগী মীয়াম্না লায়না অসি শুপ্পগী ইদ ফাওবগীনি অমসুং ইদ লোইরবা মতুংদদি লায়না অসি লৈররোই হায়না খন্নরিবসি য়াম্না লাইবক থিবা থৌওং অমনি। মসি তশেংনমক মীয়াম্না ৱাখল তান্নদবগী মওং অমনি। পাকিস্তানি খুদিংমক্তা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎচনবা অপিল তৌবগা লোয়ননা ক্রাইসিস অসি অচৌবা মীশি-মীনাগী থৌদোক অমা ওইরকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌরি মির্জানা ফোংদোকখি। পাকিস্তানদা কোভিদ-১৯গী কেস ৫৭,১২৮ অমদি লায়না অসিনা পুন্না মীওই ১,১৮২ শিহনখিবগা লোয়ননা মিজ ার্ননা ৱাফমশিং অসি ফোংদোকখিবনি।

## কোভিদ পেসেন্টশিংবু হোস্পিটাল ফংহন্নবগী সিষ্টেম পুথোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, মে ২৬ (এজেন্সি) :

কোভিদ পোজিটিভ পেসেন্টশিংবু লায়েংউ য়াদবা দিল্লিগী হোস্পিটালশিংদা ৱার্নিং তৌবগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা চীফ মিনিষ্টর অর্ভিন্দ কেজ্রিৱালনা পেসেন্টশিংবু লায়েংনবা হোস্পিটালশিং ফংহনবদা মতেং পাংনবগীদমক্তা অথুবা মতমগী মনুংদা সিষ্টেম অমা পুথোক্লগনি।



নেসনল কেপিটেলদা কোরোনা কেস হেনগৎলকপগী মতাংদা হংবদা মহাক্না হায়খি মদুদি, লোকদাউন কোমথোকপগী থৌরাং লাউথোকখিবদগী হৌখিবা চয়োল অসিদা অনৌবা কোরোনাভাইরস কেস ৩,৫০০ থেংনখিবগা লোয়ননা পেসেন্ট ২,৫০০ লায়েংবদা মপুং ফনা ফদুনা দিসচার্জ তৌখ্রে।

কিজ্রিৱালনা হায়খি মদুদি, হোস্পিটাল অমত্তনা পেসেন্ট অমত্তা লায়েংদবা য়ারোই। পেসেন্ট এদমিট তৌদবা নৎত্রগা লায়েং চথরমদবা হোস্পিটালশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎলকপা য়াই। নুমিৎ খরনিগী মমাংদা শ্বর হোনবা নুংঙাইরক্তবদগী প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা ভিজিট তৌখি পেসেন্ট অমা নুমিৎ নিনি লৈরগা টেষ্ট তৌখি। টেষ্ট রিজল্ট পোজিটিভ ওইরম্বগা লোয়ননা মহাক প্রাইভেট হোস্পিটাল অদুদা কোরোনা পোজিটিভ ওইবা মী লায়েংলোই হায়দুনা লায়েংবিখিদবনি। হোস্পিটালশিংনা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং লায়েংলোই হায়বা তারবদি মখোয় কদায়দা চৎকদৌরি হায়না হংবগা লোয়ননা হৌজিক পেসেন্ট অমত্তা হোস্পিটাল অমত্তনা লায়েংদবা য়ারোই হায়না মহাক্না ফোংদোকখি।

প্রাইভেট হোস্পিটাল অদুদা সো-কোজ নোটিস অমা ইশ্যু তৌখ্রে হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখি। দিল্লিদা হৌজিক হোস্পিটালশিংদা পেসেন্ট ২০০০ লোম লৈদুনা শুপ্পগী বেদ ২৫০ দমক শীজিন্নবা হেনগৎখি হায়রি।

## নোংমদা সী আই এস এফকী পর্সনেল মরক্তা অনৌবা কেস ২০ দিটেক্ট তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২৬ (এজেন্সি) :

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা পর্সনেলশিংগী মরক্তা অনৌবা কোভিদ-১৯ কেস ২০ দিটেক্ট তৌখি হায়না ফোর্স অসিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোংদোকখ্রে।



অনৌবা কেস ২০দুগী মনুংদা ১৮ দি দিল্লিগী ইন্দিরা গান্ধি ইন্টরনেসনল (আই জি আই) এয়রপোর্টতা হন দক্তা দিপ্লোই তৌখিবশিংগী মরক্তা থেংনখিবনি হায়রি। গভর্নমেন্টনা লোকদাউনগী থৌরাং খরা কোমথোকহন্দুনা দোমেষ্টিক এয়র ট্রাভেল হৌহনখিবা মতুং নোংমখক লৈরগা ফিভমশিং অসি লাক্লিবনি।

পর্সনেল লাখ ১.৬২ লৈবা ফোর্স অসিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হায়খি মদুদি, অনৌবা কেসশিং অসি থারগা দিল্লি এয়রপোর্টতা হৌজিক পোজিটিভ সে ২৫ য়ৌরে। অদুমওইনমক হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা পেরামিলিটরি ফোর্স অসিদা রিপোর্ট তৌখিবা অপুনবা পোজিটিভ কেস মশিং ২০ ওইদুনা হৌজিক এক্তিভ কেস পুন্না ৭৮ শুরে।

সী আই এস এফকী স্পোক্সপর্সন অমনা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি, পর্সনেল ১৮ অসি নুমিৎ ১০ নিগী মমাংদা কোভিদ-১৯গী লাইওং অমত্তা উখিদবগা লোয়ননা ক্বারন্টিন তৌদুনা থমখিবনি। মখোয়গী মরক্তগী অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মীওই অমগা নকশিন্নখি হায়বসি খঙবগা ঐখোয়না দিল্লি এয়রপোর্টতা দিপ্লোই তৌরিবা সী আই এফকী য়ুনিট বেজ অমা ক্বারন্টিন তৌখি। এয়রপোর্টতা দ্যুটি পাঙথোকপা মতমদা সী আই এস এফনা সোসল দিষ্টেন্সিং য়াওনা লোকদাউনগী চেকশিন থৌরাংশিং ঙাক্না চৎলি হায়না স্পোক্সপর্সন অসিনা ফোংদোকখি। পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা ইঙ্গিৎ অমা ওইনা হৌজিক ফাওবা সী আই এস এফকী পর্সনল ১৩২ লায়েংবদা ফরে হায়না ফোর্স অসিনা ফোংদোকখি।

## ষ্টেট অহুমদগী হন্নরকপশিংনা কর্নাতাকাদা কোভিদ কেস হেনগৎহনখ্রে



বেঙ্গলুরু, মে ২৬ (এজেন্সি) :

ষ্টেট অহুমদগী হল্লকখিবা মীওইশিংনা মরম ওইদুনা অনৌবা ইনফেক্সন ১০০ রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা হৌখিবা পুং ১৯ অসিদা কর্নাতকাদা কোভিদ-১৯ কেস মশিং হান্নদগী খঙহেন হেনগত্তুনা পুন্না কেস ২,২৮২ য়ৌরে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ষ্টেট ওফিসল অমনা ফোংদোকখি।

হেল্থ ওফিসল অমগী মতুং ইন্না নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৫দগী লৈবাকপোকপা নুমিৎ য়ুংবা পুং ১২ ফাওবদা অনৌবা কেস ১০০ দিটেক্ট তৌখি। হৌখিবা পুং ১৯ অসিদা মহারাস্ত্র, টামিল নাদু, ঝরখন্দগী হল্লকখিবা মীওই ৮০ ভাইরস অসিগী টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কেস ৪৬ নৎত্রগা চাদা ৪৬ ইন্দিয়াগী কোভিদ হোটস্পোট ওইরিবা মহারাস্ত্রদা চৎলুবগী হিষ্ট্রি লৈখি। মান্নবা মওংদা কেস ২১ নৎত্রগা চাদা ২১ কর্নতকাদগী হেন্না কোভিদ-১৯ না শোকহল্লিবা খা থংবা ষ্টেট টামিল নাদুদা চৎলুবগী হিষ্ট্রি লৈখি। ঝরখন্দদগী হল্লকপা ১৩ দুসু অসুম্না টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি।

অনৌবা কেস মরিদি কটরদা চৎলুবশিংদা থেংনখিবনি। অনৌবা কেসশিং অসিগী চাদা ৮৪ ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা চৎলুবগী হিষ্ট্রি লৈখি। মপান্দা চৎলুবগা মরী লৈনবা কেস মশিংনা কন্টেক্টশিংগী খুথাংদা লায়না শন্দোকপদগী কেসতগী য়াম্না হেল্লে হায়রি।

হৌজিক কর্নাতকাগী পোজিটিভ কেস অয়াম্বা ইন্দিয়াগী কোভিদ হোটস্পোট মহারাস্ত্রদা চৎলুবগী হিষ্ট্রি লৈবা মীওইশিংদনা অয়াম্বা থেংনরি। হৌখিবা পুং ১৯ অসিদা পেসেন্ট ১৭ নাবা ফদুনা হোস্পিটালশিং থাদোক্ল খি। নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবদা লৈখিবা কেস ২,১৮২গী মনুংদা চাদা ৮ দি সিনিয়র সিটিজনশিংনি। চাদা ৬১ না নুপাশিংনি অমসুং চাদা ৩৯ না নুপীশিংনি। ষ্টেট অসিগী পেসেন্ট দিসচার্জ তৌবগী রেট চাদা ৩২ দা হন্থখ্রে হায়রি।

## টামিল নাদুদা লাইশঙশিং হাংদোক্লবা তকশিল্লদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



চেন্নাই, মে ২৬ (এজেন্সি) :

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা থিংজিনখিবা টামিল নাদুগী লাইশঙশিং অমুক হন্না হাংদোক্লবা দিম্মান্দ তৌরদুনা হিন্দু মুনানিগী মেম্বরশিংনা অনৌবা প্রোটেষ্ট মওং অমা পাঙথোকখ্রে হায়না ওফিসল অমনা ফোংদোকখ্রে।

মশিং য়াম্না শরুক য়াবদি নত্তবা ঐখোয়গী মেম্বরশিংনা লাইশঙশিং অমুক হন্না হাংদোকউ হায়না তকশিল্লদুনা ষ্টেট অসিদা মরু ওইবা লাইশঙশিংগী মপান্দা থোপ্পুকর্নামগী থৌদৌ চথখি। স্পীরিচ্যুএলগী ওইবা থৌদৌ অদুদা শরুক য়ারিবশিংনা য়েৎথংবা ওয়গী খুৎনা পায়দুনা খুৎ য়েৎনা ওয়থংবা না পায়দুনা সুপর ব্রেন যোগা পাঙথোকখি হায়না হিন্দু মুনানিগী টামিল ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি টি মনোহরনা এজেন্সিদা ফোংদোকখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, কোরোনাভাইরস শন্দোরকপগী অকিবা লৈরিঙৈ মতম অসিদা স্পীরিচ্যুএলগী ওইবা থবক থৌরমশিংনা অসিগুম্বা অকিবশিং অসি থেংনবদা মীয়ামদা তঙাইফদ্রবা পাঙ্গল ফংহনগনি। অদুনা মখোয়না গভর্নমেন্টতা লাইশঙশিং অদুবু অমুক হন্না হাংদোক্লবা দিম্মান্দ তৌরিবনি। মহৌশানা থোপ্পুকর্নাম অসি টামিল নাদুগী লাই গনপথি নৎত্রগা পিলায়রগী মমাংদা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি।

অমরোমদা, কেরলাগী অলাপুজাগা নক্লনা লৈবা থুরাভুরগী ঙাগী ফার্ম অমদগী ঙা হুরানখিবশিংনি হায়না মরাল শীখ্রবা মীওই ১০০ গী মনুংদগী নুপী ৮ য়াওনা পুন্না মীওই ১০ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফারে হায়না পুলিসনা ফোংদোকখ্রে। পুলিস সার্কল ইন্সপেক্টর ৱাই মোহম্মদ সাফিনা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি, থৌদোক অদু হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা থোকখিবনি। লোকেল ঙাক্তা ওইবা মীওই ১০০ রোম্না কে জে মাইকেলগী ঙাগী ফার্ম লৈরিবা লৌবুকশিংদা চঙশিনখি অমদি মখোয় ফার্ম অদুদগী মখল-মখা কয়াগী ঙাশিং হুখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ৱাকৎলকপগী মীওই ১০ অসি ফাখিবনি।